২ শুবা য়োনেক্স সনরাইজ ওল মণিপুর মিনি এন্দ সব-জুনিয়র রেঙ্কিং টুর্নামেন্ট ২০১৮

# বোইজ দবলসকী ফাইনেলদা দেববর্ত অমদি ইভরিশকী জুরাগা বোরিস অমদি গুনচন্দ্রগী জুরাগা থেঙ্গাইনরগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) :

মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএসন (এম বি এ) না শীন্দুনা ওগষ্ট ৯ দগী ১২ ফাওবা নুমিৎ ৪ চুপ্পা দি এম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথুগদৌরিবা অনীশুবা য়োনেক্স সনরাইজ ওল মণিপুর মিনি এন্দ সব-জুনিয়র রেঙ্কিং টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা চহী ১৩ মখাগী বোইজ দবলসকী সেমি ফাইনেল মেচশিংদা মায় পাক্লুনা দেববর্ত অমদি ইভরিশকী জুরাগা বোরিস সলাম অমদি গুনচন্দ্র নাওরেমগী জুরাগা ফাইনেলদা থেঙ্গাইনরগনি।



লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী নুপী ১৭ অমদি নুপা ১৬৫ পুন্না শান্নরোয় ১৮২ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা অনীশুবা য়োনেক্স সনরাইজ ওল মণিপুর মিনি এন্দ সব-জুনিয়র রেঙ্কিং টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী চহী ১৫ মখাগী গর্লস সিঙ্গলসকী অহানবা সেমি ফাইনেল মেচ ওইনা সগোরিকা এন অমসুং এম ইলিনা শান্নখি। মেচ অদু সগোরিকা এননা এম ইলিনাবু ২১-৬, ১৯-২১, ২১-১৫ অমসুং কেটিগরি অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেচ ওইনা মার্সি টি ঐচ অমসুং এল সিতল শান্নখিবা মেচ অদু মার্সি টি ঐচনা এল সিতলবু ২১-১৪, ২১-১৯ দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখি।

চহী ১৩ মখাগী বোইজ সিঙ্গলসকী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা গুনচন্দ্র নাওরেম অমসুং এম রিশি শান্নখি। মেচ অদু গুনচন্দ্র নাওরেমনা এম রিশিবু ২১-১৮, ২১-৯ দা, অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা টি ঐচ মেটিক অমসুং কে এস ঐচ তুলজিৎ শান্নখিবা মেচ অদু টি ঐচ মেটিকনা ২১-১৯, ২১-১৮, অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা কাসপোর্ভ অমসুং আর কে এলেন শন্নখিবা মেচ অদু কাসপোর্ভনা ২১-১৬, ২৫-২৩ অমসুং কেটিগরি অসিগী মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা এন অভিনাস অমসুং এলেক্স এন জি শান্নখিবা মেচ অদু এন অভিনাসনা ২১-১৯, ২২-২০ দা মায় পাক্লুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

চহী ১৫ মখাগী গর্লস সিঙ্গলসকী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা সগোরিকা এন অমসুং টি ঐচ রোস্নি শান্নখিবা মেচ অদু সগোরিকা এননা ২১-১৪, ২১-১৯, অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা মার্সি টি ঐচ অমসুং সনানু মৈস্নাম শান্নখিবা মেচ অদু মার্সি টি ঐচনা ২১-১২, ২১-১২, অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা এল সিতল অমসুং জেলৈমা য়াইখোম শান্নখিবা মেচ অদু এল সিতলনা ২১-১৩, ২১-৫ অমসুং কেটিগরি অসিগী মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা লিওনি টি অমসুং দেনিয়া অহন্থেম শান্নখিবা মেচ অদু লিওনি টিনা ২১-৭, ২১-১০ দা মায় পাক্লুনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

চহী ১৩ মখাগী বোইজ দবলসকী অহানবা সেমি ফাইনেল মেচ ওইনা দেববর্ত অমদি ইভরিশকী জুরাগা গুং এস ঐচ অমদি কে ঐচ সনাথোইগী জুরাগা শান্নখি। মেচ অদু দেববর্ত অমদি ইভরিশকী জুরানা গুং এস ঐচ অমদি কে ঐচ সনাথোইগী জুরাবু ২১-১১, ২১-১৩ অমসুং অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেচ ওইনা হার্সিট সাল্লাৱাট অমদি এম দি অসিককী জুরাগা বোরিস সলাম অমদি গুনচন্দ্র নাওরেমগী জুরাগা শান্নখিবা মেচ অদু বোরিস সলাম অমদি গুনচন্দ্রগী জুরানা হার্সিট সাল্লাৱাট অমদি এম দি অসিককী জুরাবু ২১-৮, ২১-১২ দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মেন্স দবলসকী মেচ ওইনা ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা এ কে বোনি অমদি কে রবিসঙ্করগী জুরাগা এস মনিস্না অমদি এস সোমেস কুমারগী জুরাগা শান্নখিবা মেচ অদু এ কে বোনি অমদি কে রবিসঙ্করনা ২১-১৯, ২১-১৩, অনীশুবা গ্রাউন্দদা কে দেঙ্কু অমদি এন জয়চন্দ্রগী জুরাগা এ প্রতাপ অমদি ৱাই আনন্দগী জুরাগা শান্নখিবা মেচ অদু কে দেঙ্কু অমদি এন জয়চন্দ্রগু জরানা ২২-২০, ২১-১২, অহুমশুবা গ্রাউন্দদা কে ঐচ নিরঞ্জয় অমদি কে ঐচ পুন্সিবগী জুরাগা ঐচ অজিৎ অমদি এন বিমোলচন্দ্রগী জুরাগা শান্নখিবা মেচ অদু কে ঐচ নিরঞ্জয় অমদি কে ঐচ পুন্সিবগী জুরানা ২১-১৯, ২১-১৮, মরিশুবা গ্রাউন্দদা টি ঐচ জোন্সন অমদি ৱাই রাকেশকী জুরাগা খুন্দোংবম জোগেন্দ্রো অমদি লাইশ্রম অকাশকী জুরাগা শান্নখিবা মেচ অদু টি ঐচ জোন্সন অমদি ৱাই রাকেশকী জুরানা ২১-১৪, ২১-১৭, মঙাশুবা গ্রাউন্দদা ঐচ রোহিৎকুমার অমদি কালেনিয়াই কে ঐচকী জুরাগা অচানবা টি অমদি এল হেরিসনগী জুরাগা শান্নখিবা মেচ অদু ঐচ রোহিৎকুমার অমদি কেলেনিয়াই কে ঐচকী জুরানা ২১-১২, ২১-১৮ দা মায় পাকখি।

# পি ৱাই সী ফাইটোল সেমি ফাইনেল চঙখ্রে



জিরিবাম, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস)ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (আই জি এস এ) জিরিবামনা শীন্দুনা জিরিবাম গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা হৌখিবা জুলাইগী ২৭ তগী হৌদুনা চথুরক্লিবা ১৫ শুবা চান্দম ইনুংঙানবী মেমোরিএল মিনি বোইজ অন্দর ১৩ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা পি ৱাই সী ফাইটোলনা আর ৱাই সী রামগাইজাংবু মায়থীবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবদা লৈবা তোঙান তোঙানবা ক্লব ১২ না শরুক য়াদুনা চথুরক্লিবা ১৫ শুবা চান্দম ইনুংঙানবী মেমোরিএল মিনি বোইজ অন্দর ১৩ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী অনীশুবা ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পি ৱাই সী ফাইটোল অমসুং আর ৱাই সী রামগাইজাং শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌরকপদগী হৌনা পি ৱাই সী ফাইটোলনা আর ৱাই সী রামগাইজাংবু লাকচরপ তৌনা শান্নখি।

অহানবা হাফকী লোইশিল্লকপা মীকুপ ফাওবদা পি ৱাই সীনা আর ৱাই সীগী মায়োক্তা গোল মথং মথং চনশিনখি। অদুবু আর ৱাই সীগী শান্নরোয়শিংনা অহানবা হাফ লোইবা মীকুপ ফাওবদা পি ৱাই সী ফাইটোলগী চনশিল্লক্লিবা গোলশিং অদু হন্দোক্লবা হোৎনরবসু হন্দোকপা ঙমদনা অদুমক লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী হৌনা আর ৱাই সী রামগাইজাংগী শান্নরোয়শিংনা পি ৱাই সী ফাইটোলনা অহানবা হাফতগী মাঙজিল থাদুনা লাক্লিবা গোলশিং অদু হন্দোক্তবা য়াদে মতাগুম তকখৎতুনা শান্নরকপা উখি। অদুবু পি ৱাই সীগী মায়কৈদগী মেচ অদু লাকশিল্লগা শান্নরকখিবনা আর ৱাই সীগী এটেকশিং অদু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমহনখিদে। পি ৱাই সীগী মায়কৈদগী অনীশুবা হাফ লোইরমদাই মীকুপ ফাওবদা গোল মথং মথং চনশিন্দুনা মেচ অদুগী অরোইবা মীকুপ লোইশিল্লকপদা পি ৱাই সী ফাইটোলনা আর ৱাই সী রামগাইজাংবু গোল ১০-০ দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙখি। টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা হয়েং লালপানি এফ সী অমসুং মোকামলুং এফ সী শান্নগনি।

# গোল্ড মেদলিষ্ট সুরেশ মৈতৈ অমসুং কোচ এম দি ৱাহিদুর রহমন তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস)ঃ ওল মণিপুর ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিএসন (এ এম ভি দি এফ দব্লিয়ু এ) না শীন্দুনা ইম্ফালগী মেজর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা গোল্ড মেদল ফংলকখ্রবা সনজ্রাম সুরেশ মৈতৈ অমসুং মণিপুর মুএথাই টিমগী কোচ এম দি ৱাহিদুর রহমন ঙসি তরাম্না ওকখ্রে।

কোলকটাগী খুদিরাম অনুসিলম কেন্দ্রদা হৌখিবা জুলাই ২৬ তগী ২৯ ফাওবা পাঙথোকখিবা অনীশুবা এমেচর চেহ্ বোক্সিং ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ দা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুবা মণিপুরগী সনজ্রাম সুরেশ মৈতৈনা কিলোগ্রাম ৫০ মখাগী কেটিগরিদা গোল্ড মেদল লৌখি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ানবা মণিপুরদগী পূন্না মীওই ২৪ না টিম শেমখি। মখা তানা শান্নরোয় ২৪ অদুগী লুচিংবা ওইনা ওল মণিপুর চেহ্ এমেচর বোক্সিং এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি পি তোম্বী শর্ম্মনা মেনেজর কম কোচ ওইখি।

সনজ্রাম সুরেশ মৈতৈ থাঙ্গ এসীগী মনুং চন্না লৈবা কাংশোইবী মপালদগী সনজ্রাম ইঙোচা মৈতৈ অমসুং সনজ্রাম ওংবী অপাবী লৈমগী মচানুপানি।

য়াইরিপোক নিংথৌনাই মখা লৈকাইদগী এম দি ৱাহিদুর রহমননা মণিপুরদগী চৎখিবা মুএথাই টিমগী কোচ ওইনা থৌদাং লৌরি। মহাক এম দি তয়িব অলি অমসুং নারজুহান বিবিগী মচানুপা অহননি।

পনবা য়াই, হৌখিবা থাগী তাং ১৯ দগী ২২ ফাওবা বেঙ্গলোরগী শক্তি হিল রিজোর্ট আর আর নগরদা পাঙথোকখিবা ১৯ শুবা এম টি আই (আর) নেসনল এমেচর মুএথাই চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ জুনিয়র অমসুং সব-জুনিয়রদা মণিপুরগী টিম পুদুনা শরুক য়াখি।

৭ শুবা থাঙ-তা ফেদরেসন কপ ২০১৮

# মণিপুর টিমনা গোল্ড ১৬ অমসুং সিলভর ৫ ফংলগা মাঙজিল থারি

চান্দিগর, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী)ঃ

চান্দিগরগী সেক্টর ১০ দা লৈবা স্কেটিং রিঙ্ক স্পোর্টস দিপার্টমেন্ট চান্দিগর এদমিনিষ্ট্রেসন থাঙ-তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা ওগষ্ট ৯ দগী ১২ ফাওবা নুমিৎ ৪ নি চুপ্পা চথুরিবা তরেৎশুবা থাঙ-তা ফেদরেসন কপ ২০১৮ গী নিনি চনবা নুমিৎ ফাওবদা মণিপুর থাঙ-তা টিমনা গোল্ড ১৬ অমসুং সিলভর ৫ পূন্না মেদল ২১ ফংলগা কপ অসিদা মাঙজিল থাদুনা চৎলি।

লৈবাক অসিগী ষ্টেট ২৫ গী শান্নরোয় নুপা ২৯৯, নুপী ২৫১ অমসুং ওফিসল ৬৮ পূন্না মীওই ৬১৮ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা তরেৎশুবা থাঙ-তা ফেদরেসন কপ ২০১৮ গী সব-জুনিয়র বোইজকী কেজি ২১ মখাগী ফুনবা অমা ইভেন্টতা মণিপুরগী ধনজিৎ ৱাঙ্খেমনা গোল্ড, হরিয়ানাগী অকাশনা সিলভর অমসুং মহারাষ্ট্রগী অরয়ানা মনোজ সহলনা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে। ইভেন্ট অসিগী কেজি ২৯ মখাগী কেটিগরিদা মণিপুরগী এল অশামনি মৈতৈনা গোল্ড, হরিয়ানা যুবরাজনা সিলভর অমসুং মহারাষ্ট্রগী অর্নাব অমোল সানবনা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে।



ইভেন্ট অসিগী কেজি ৩৩ মখাগী কেটিগরিদা মণিপুরগী টি ঐচ ভুনিসনা গোল্ড, জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী য়ামিন মাজিদনা সিলভর অমসুং হরিয়ানাগী গৌরবনা ব্রোঞ্জ লৌখি। কেজি ৩৭ মখাগী কেটিগরিদা মণিপুরগী কে ঐচ রোমেশনা গোল্ড, অসামগী মালেমঙানবনা সিলভর অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী রুমমননা ব্রোঞ্জ লৌখি। কেজি ৪১ মখাগী কেটিগরিদা মণিপুরগী এন জেমসননা গোল্ড, হরিয়ানাগী লক্সিয়ানা সিলভর অমসুং মহারাষ্ট্রগী তনমে ওমকার পঞ্চারিয়ানা ব্রোঞ্জ লৌখি।

সব-জুনিয়র বোইজ ফুনবা অনীশুবা ইভেন্টকী কেজি ২১ মখাগী কেটিগরিদা হরিয়ানাগী সুমিটনা গোল্ড অমসুং মণিপুরগী পি ঐচ ওক্সপোট শর্ম্মনা সিলভর লৌখি। কেজি ২৫ মখাগী কেটিগরিদা হরিয়ানাগী বিকাশনা গোল্ডনা, মণিপুরগী ভিক্তর রাজ ঙাঙোমনা সিলভর লৌখি। কেজি ২৯ মখাগী কেটিগরিদা মণিপুরগী অনেশ লৌরেম্বমনা গোল্ড, রাজস্থানগী দিভিয়াংনা সিলভর অমসুং হরিয়ানা নিখিলনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

কেজি ৩৩ মখাগী কেটিগরিদা উত্তরঞ্চলগী সুজালনা গোল্ড অমসুং মণিপুরগী ঐচ লনচেনবা মঙাংনা সিলভর লৌখি। কেজি ৩৭ মখাগী কেটিগরিদা মণিপুরগী এন তোম্বনা গোল্ড, জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী সলিক উল ইস্লামনা সিলভর অমসুং হরিয়ানাগী রিটিকনা ব্রোঞ্জ লৌখি। কেজি ৪১ মখাগী কেটিগরিদা মণিপুরগী এস নোংয়াই মৈতৈনা গোল্ড, জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী মির ফাহল ফরুকনা সিলভর অমসুং দিল্লিগী ধ্রুব গুলিয়ানা ব্রোঞ্জ লৌখি।

কেজি ৪৫ মখাগী কেটিগরিদা মণিপুরগী এল বোরিস শর্ম্মনা গোল্ড লৌখি। কেজি ৪৯ মখাগী কেটিগরিদা মণিপুরগী এল ভিশাল শর্ম্মনা গোল্ড অমসুং রাজস্থানগী য়াস চহারনা সিলভর লৌখি। কেজি ৫৩ মখাগী কেটিগরিদা দিল্লিগী মোহিৎ শর্ম্মনা গোল্ড, মণিপুরগী রিমেক্স খুরাইজমনা সিলভর অমসুং রাজস্থান ভাগ্য চৌধুরিনা ব্রোঞ্জ লৌখি। কেজি ৫৩ মথক্কী কেটিগরিদা মণিপুরগী এ জিম্মিনা গোল্ড, দিল্লিগী সিভম গাইলনা সিলভর লৌখি।

ফেদরেসন কপ অসিগী সব-জুনিয়র গর্লস ফুনবা অনীশুবা ইভেন্টকী কেজি ২১ মখাগী কেটিগরিদা মণিপুরগী ঐচ য়াইফবী চনুনা গোল্ড লৌখি। কেজি ২৫ মখাগী কেটিগরিদা মণিপুরগী এল এলিসিয়ানা গোল্ড, মহারাষ্ট্রগী অকাংশা বেজবরাজনা সিলভর অমসুং হরিয়ানাগী সোনিনা ব্রোঞ্জ লৌখি। কেজি ২৯ মখাগী কেটিগরিদনা মণিপুরগী সী ঐচ দিভিয়া চনুনা গোল্ড অমসুং মহারাষ্ট্রগী তেজাস্বিনি দাতরি মোতেনা সিলভর লৌখি। কেজি ৩৩ মখাগী কেটিগরিদা মণিপুরগী দেবিয়া চনুনা গোল্ড, দিল্লিগী মুস্কানা সিলভর অমসুং হরিয়ানাগী কবিতানা ব্রোঞ্জ লৌখি। কেজি ৩৭ মখাগী কেটিগরিদা মহারাষ্ট্রগী সালমালি দয়ানেশ্বরনা গোল্ড, মণিপুরগী টি নিজিতানা সিলভর অমসুং হরিয়ানাগী নেহানা ব্রোঞ্জ লৌখি। ইভেন্ট অসিগী অরোইবা কেজি ৪১ মখাগী কেটিগরিদা মণিপুরগী টি ঐচ পুস্পরানিনা গোল্ড, হরিয়ানাগী প্রিতিনা সিলভর অমসুং মহারাষ্ট্রগী দর্সানা সন্দিপনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

ফেদরেসন কপ অসিদা ঙসি ফাওবদা মণিপুর টিমনা মাঙজিল থারগা চৎলি। অদুগা হরিয়ানাগী টিমনা অনীশুবা পোজিসনদা তুং ইন্নরি।

# ইন্দিয়াগী অজয় জয়ারাম অমসুং মিথুন মঞ্জুনাথ ভিএটনাম ওপন বেদমিন্টনগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে

হো চি মিন সিটি, ওগষ্ট ১০(এজেন্সী)ঃ ভিএটনামগী কোনুং হো চি মিন সিটিদা লৈবা ঙুয়েন দু কলচরেল স্পোর্টস ক্লবতা থা অসিগী ৭তগী হৌরগা ১২ ফাওবা পাঙথোক্লিবা য়ু এস দোল্লর ৭৫,০০০গী শেলগী মনা লৈবা ভিএটনাম ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ইন্দিয়া শান্নরোয় অনী অজয় জয়ারাম অমসুং মিথুন মঞ্জুনাথ সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোয়শিংগী মনুংদা মশিং পাবা য়ারবা শান্নরোয় অমা ওইরিবা অজয় জয়ারামনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা কনাদাগী শান্নরোয় শেং জিয়াওদোংগা লম্বা তৌনবদা অকনবা লান্থেং তৌনদুনা মায়পাকপা ঙমখি। শান্নরোয় অনীগী মরক্তা শান্নখিবা অহানবা গেম অদু য়াম্না নক্লখি। মখোয় অনীনা অহানবা গেম অদুগী পোইন্ট ৪০ শান্নবা লোয়শিনখিবা ফাওবদা পোইন্ট ২০-২০ মান্নদুনা লৈখিবদগী মখা তানা মায়পাক্লবগীদমক শান্নরোয় অমনা পোইন্ট ২ হেনবা মথৌ তাবা মরম্না গেম অদু মখা তারকখি।

পোইন্ট অনী হেন্নবা লাক্লুরকপদা শান্নরোয় অনীনা মপুং ফানা পোইন্ট অনী থংন-থংননা লৌবা ঙমদনা পোইন্ট ২৪-২৪ ফাওবা মান্নদুনা লাকখি। ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অজয় জয়ারাম্না য়াম্না ফজবা মওংদা ২৫শুবা অমসুং ২৬শুবা পোইন্ট অনী থংননা লৌবা ঙমখিবদগী ভিএটনাম ওপন বেদমিন্ট টুর্নামেন্ট অদুগী নুপাগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা গেম অদু ২৬-২৪দা থোইদুনা কনাদাগী শান্নরোয় সেং জিয়াওদোংবু গেম অমা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

যাম্না লম্বা মান্ননা শান্নখিবা নুপাগী প্রিক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা গেম মায়পাক্লুনা লৈখিবা ইন্দিয়াগী অজয় জয়ারামনা অনীশুবা গেম অদুদা হৌরকপদগী পোইন্ট খর মাঙজিল থাবা ঙমদুনা লাকখিবা অদুনা মরম ওইরগা অনীশুবা গেম অদু ২১-১৭তা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।



জয়ারামনা হয়েং সেমিফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সিদেদ শান্নরোয় জপানগী য়ু ইগারাসিগা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌনবগীদমক লম্বা তৌনরগনি। ইগারাসিনা মহাক্কী মায়কৈদা ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা চাইনিজ টাইপৈগী স্বই স্বান সিবু ২১-১৭,২১-১৪দা মায়থীবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী নুপাগী অতোপ্পা সিঙ্গলস শান্নরোয় মিথুন মঞ্জুনাথনা মহাক্কী ঙসি প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা চাইনাগী ঝৌ জে কিবু য়াম্না লম্বা মান্নবা মেচ অমদা গেম অমা মায়থীরম্লবা মতুং মখা তাবা গেম অনী ২১-১৯, ২১-১১দা থোইদুনা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মঞ্জুনাথনা সেমিফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী সেসর হিরেন রুস্তাভিটোগা লম্বা তৌনরগনি। রুস্তাভিটোনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ভিএটনামগী শান্নরোয় ঙুয়েন টিয়েন মিনবু ১৭-২১, ২১-১০, ২১-১৬তা থোইদুনা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

নাকল অমরোমদা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা শরুক য়ারকখিবী ইন্দিয়াগী রিতুপর্ন দাসনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলগী মেচ অমদা থাইলেন্দগী শান্নরোয় পি ছাইৱানগী মখুত্তা ১৯-২১, ১৪-২১দা মায়থীদুনা কাংলুপ অসিদা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদে।

# য়ুথ ৱুমেন্স ইন্দিভিজ্যুএলদা গ্রীনলেন্দ ৱাংজমনা গোল্ড লৌখ্রে

আইজোল, ওগষ্ট ১০ (ঐচএনএস) ঃ মিজোরামগী কোনুং আইজোলদা থা অসিগী ৬ তগী ১৩ ফাওবা চথুগদৌরিবা ৬ শুবা নোর্থ ইষ্ট জোন শুটিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ দা মণিপুরগী গ্রীনলেন্দ ৱাংজমনা মিটর ১০ গী য়ুথ ৱুমেন্স ইন্দিভিজ্যুএল এয়র পিস্টোল (এন আর) চেম্পিয়ন্সিপতা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।



চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মিটর ১০ গী য়ুথ ৱুমেন্স ইন্দিভিজ্যুএল (এন আর) চেম্পিয়ন্সিপতা মণিপুরগী গ্রীনলেন্দ ৱাংজমনা পোইন্ট ৩৪৩ ফংদুনা গোল্ড, মিজোরামগী ইলিমলাং রাওপুইনা পোইন্ট ৩৩৮ ফংলগা সিলভর অমসুং মণিপুরগী এরিনা লৈশাংথেমনা পোইন্ট ৩৩৭ ফংলগা ব্রোঞ্জ লৌখি।

মিটর ১০ গী য়ুথ মেন্স ইন্দিভিজ্যুএল এয়র পিস্টোল (এন আর) চেম্পিয়ন্সিপতা মণিপুরগী ফুরাইলাৎপম রাহুল শর্ম্মনা পোইন্ট ৩৬২ ফংলগা গোল্ড, অসামগী বিকাং সিংহনা পোইন্ট ৩৫৮ ফংলগা সিলভর অমসুং মণিপুরগী অতোপ্পা শুটর এনদ্রিয়ু তেলহৈবা লৈতান্থেমনা পোইন্ট ৩৫৩ ফংলগা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

মিটর ১০ গী ৱুমেন্স ইন্দিভিজ্যুএল এয়র পিস্টোল (এন আর) চেম্পিয়ন্সিপতা মণিপুরগী নিখিতা খুলেমনা পোইন্ট ৩৫৩ ফংদুনা সিলভর মেদল লৌখ্রবসু মহাক্কী পোইন্ট অদুগা চপ মান্ননা মেঘালয়াগী বলারি রানিনা গোল্ড মেদল লৌখি।

মিটর ৫০ গী জুনিয়র ৱুমেন্স ইন্দিভিজ্যুএল স্পোর্টস রাইফল প্রোন (এন আর) চেম্পিয়ন্সিপতা মণিপুরগী আর কে মমতানা পোইন্ট ৫৩৬ ফংলগা গোল্ড অমসুং মণিপুরগী অতোপ্পা শুটর ফ্রেন্সি ক্ষেত্রিময়ুমনা পোইন্ট ৫২৪ ফংলগা সিলভর ফংখি।



HL-B/4720/24/6-21/08 (alt.)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com